# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা সরকার পায়রিবা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কুন রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা কুপা খন্নখি।

২) মনিপুর বিধান সভা মীফমদা ঙরাং তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৪৮ হেনবগী শেনফম পাস তৌখ্রে।
বিরোধি এম.এল.এশিং সভাদগী মপান থোকখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি কেরলাগী ৱায়ানাদতা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা রিলিফ অমদি রিহেবিলিতিগী থবকশিং য়েংশিল্লগনি।

------

মীতিং (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটনা ঙরাং সরকার পায়রিবা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য অসিদা থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না রাজ্য অসিদা লৈরিবা খুদোংচাদবা অমদি থেংনরিবা ৱাথোকশিং অসি করমা মায়োকদুনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগদগে হায়বা হিরম অসিগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা মন্ত্রি মন্দলশিং য়াওনা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং, দল অসিগা চৎমিন্নবা দলশিংগী এম.এল.এশিং অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম.এল.এ শরুক য়াখি।

তিরঙ্গ (এল)ঃ অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী মনুং চন্না ঙসি রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা তিরঙ্গ কন্সার্ট পাঙথোক্লুগনি।

ভারতকী নীংখা তম্বগী নুমিৎকা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংনা চখবা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন শরুক য়াগনি। মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিলভপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা লৈবাক নীংবা ঈশৈ, পুং চোলোম অমদি লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালদা যুম্ফম ওইবা জগোই উৎকনি হায়রি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লাক্কদৌরিবা ভারতকী নিংখা তম্বা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামা সোসিয়েল মিদিয়াগী এক্কাউন্টশিংদা লৈরিবা মশা মশাগী প্রোফাইল পিকচরগী মহুৎতা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল থন্বীনা আপীল তৌরি। সোসিয়েল মিদিয়াগী পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- নিংখা তম্বগী নুমিৎ অসিবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা মহাক্কী প্রোফাইল পিচরগী মহুৎতা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল থন্লি। ঐখোয় খুদিংমকা ভারতনা নীংখা তমবগীদমক হোৎনখিবা থৌদাংশিং নিংশিংবা তঙাইফদে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামা ইশা ইশাগী সেলফি অমমম কাপ্পুনা হর ঘর তিরঙ্গ দোট কোমদা থাগৎপীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

বজেট (এল)ঃ মনিপুর বিধান সভাগী ঙরাং ফমখিবা মীফমদা তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৪৮ লাখ ২৯ লিশিং ২৯ গী শেনফম পাস তৌখ্রে। বিভাগশিং অদুদি-লেন্দ রিছোর্সেস, ফাইনান্স, ষ্টেট এক্সাইজ, সেলস টেক্স, আর্ট এন্দ কলচর, টুরিজম অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিনি। হায়রিবা বিভাগশিং অসিগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস পাস তৌনবা ফাইনান্স ইনচার্জসু ওইরিবা সভাগী লুচিংবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না পুখৎলকখি। অদুবু দিমান্দস ফোর গ্রান্টসশিং অসি পাস তৌনবা পুখৎত্রিঙৈদা বিরোধি এম.এল.এশিং মখোয়না থাংগৎলকপা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন লৌবগী ৱাফম অধ্যক্ষনা অয়াবা পীদ্রিবা করিগীনো হায়না বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা জিরো অবারগী মতমদা সভাগী পুকিং চিংশিনখি। লোয়ননা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা বিরোধি এম.এল.এশিং হায়বা তাবীদবগী পেন্দবা ফোংদোক্লদুনা বিরোধিগী এম.এল.এ মঙামক সভাদগী মপান থোকখি। লোয়ননা চত্থরিবা ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফম অসি লোইবা ফাওবা শরুক য়াররোই হায়নসু ফোংদোক্লমখি। বিরোধিগী এম.এল.এশিং থোকখ্রবা মতুংদা শ্রী বিরেন্না পুখৎলকখিবা দিমান্দশিং অদু পোলিসি কট মোসন অমত্তা য়াওদনা সভাদা পাস তৌখি।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবদা বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়-হৌজিক চত্থরিবা বিধান সভাগী মীফমদা মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা ৱাফম খন্নসি হায়না সভাদা পুখৎখি। ইরাং অসি লোয়শিন্নবা সভানা করিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌদুনা হীরম অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি উন্ননবা হোৎনমীন্নবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। মসিদা দলগী খেৎনবা থমদনা ঐখোয় খুদিংমকা থৌদাং লৌমীন্নবা চংই হায়বা ৱাফম পুখৎখি। হীরম অসি খন্ননবা প্রাইবেট মেম্বর রিজোলুসন অমা পুখৎপদা লৌবিয়ু য়াদবা হায়বসি য়ামা লাইবক থিবনি। ফিভম অসি লাকপদগী বিরোধি কংগ্রেসনা মীফম অসি য়াওদনবা সভাদগী মপান থোকপগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

পিএম ঃ  পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি কেরলাগী ৱায়ানাদতা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা রিলিফ অমদি রিহেবিলিতিগী থবকশিং য়েংশিল্লগনি।

মহাকা রাজ্য অদুগী কনুরদা য়ৌরবা মতুংদা ৱায়ানাদগী লেন্দ স্লাইদ থোকখিবা অমদি মদুদা শোকহল্লবা মফমশিং নোংথক্তুগী য়েংশিনগনি। লোয়ননা লেন্দ স্লাইদ থোকখিবা মফম অদুদা চত্তুনা মখা তানা হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়রি। রিলিফ কেম্প অমদি হোস্পিতালশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগসু প্রধান মন্ত্রিনা উন্নদুনা ৱারী শাগনি। তুংদা, থোকখ্রিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাকা সভাপতি ওইদুনা রিভিউ মিতিং অমসু পাঙথোক্কনি।

লোক ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে। মমাং থাগী ২২ দগী হৌখিবা বজেট মীফম অসিদা সিত্তিং ১৫ পাঙথোকখি হায়না অধ্যক্ষ- ওম. বিরলানা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- হন্দক্কী মীফম অদুদা পুং ১১৫ চুপা খন্ন নৈনখি।

শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা মমাং থাগী ২৩ দা কেন্দ্রগী বজেট ২০২৪-২৫ পুথোকখি। মদু সভানা পুং ২৭ মিনিট ১৯ চংনা খন্নখি। মীফম অসিদা সরকারগী বিল ১২ পুথোকখি, লোক সভাদা বিল ৪ পাস তৌখি।

লোক সভাদা পাস তৌখিবা বিলশিং অদুদি-ফাইনান্স বিল, এপ্রোপিয়েসন বিল, জম্মু এন্দ কাশ্মির এপ্রোপিয়েসন বিল অমসুং ভারত্তিয়া বাইয়ুয়ান বিধ্যায়ক বিলনি।

রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন- জগদিপ ধনকরনা হায়-হন্দক্কী বজেট মীফম অসিদা রাজ্য সভাদা পুং ২২ চংনা খন্ন-নৈনবা পাঙথোকখি। মীফম পুং ৯০ চুপা পাঙথোকখি।

দিল্লি ঃ  দিল্লিগী হান্নগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি মনিস সিসোদিয়া ঙরাং তিহার জেলদগী থাদোকখ্রে। দিল্লিগী এক্সাইজ পোলিসিগা মরী লৈনবা কেসতা জেলদা

লৈরকখিবা মনিস সিসোদিয়া সুপ্রিম কোর্টনা বেলদা থাদোকবা ঙরাং খঙহন্নখিবনি।

পিজি ঃ  নিট পি.জি. একজাম য়ৈথোকবা হায়রকখিবা ৱাফম সুপিম কোর্টনা য়াখিদ্রে। একজাম অসি থানবা পীরিবা সেন্তরশিং অসি  কেন্দিদেটশিংদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়বা ৱাফমদা পিতিসন অমা সুপ্রিম কোর্টতা লাকখিবনি।

কোর্ট অসিনা হায়- মহৈরোই লাখ ২ রোম থাগদবা একজাম অসিদা পিতিসন অমগী য়েংলগা একজাম থিন্থবা হায়বসি অচুম্বা ৱাফম ওইরোই। মরম অসিনা কোর্ট অসিনা নিট পি.জিগী একজা য়ৈথোক্লোই হায়না চীফ জষ্টিস দি.ৱাই. চন্দ্রচুদ য়াওবা জজ অহুমনা শাবা বেঞ্চনা খঙহনখি।

পেরিসঃ  পেরিস ওলিম্পিক্সতা কিলোগ্রাম ৫৭ কী মেন্স ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা ভারতকী অমন সেরাৱটনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরে। ঙরাং শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা সেরাৱটনা পোরতোরিকোগী দরিয়ান ক্রজবু মায়থিবা পীদুনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখিবনি।

গেমস অসিগী মেদল টেলিদা-অমেরিকানা সনাগী ৩৩ লুপাগী ৩৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৯ পুন্না তকমান ১১৫ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। চাইনানা সনাগী ৩৩, লুপাগী ২৭ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৮৩ ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৮, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৪ পুন্না তকমান ৪৮ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ভারতনা লুপা ১ য়াওনা শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ৬ ফংদুনা ৬৯ শুবদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিউজ প্রিন্ট মৈ থাখিবগী মায়োক্তা পাউমীশিংনা ঙরাং শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনখিবদগী ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুবু চীংগী মফমশিংদা ফোংবা পাউচেদি মহৌশাগুম ফোংবা থেংনরে।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- মৈ থাখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মণিপুরগী মিদিয়া ফরতিনিতিশিংনা নোংমগী ওইনা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা তমেংলোং হেদক্কার অমদি কৈফুনদাইদগী তৌসেম সব-দিভিজন তাখিবা নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেনগী লম্বীগী শরুক নোংনা মরম ওইদুনা ফাওনবা য়াদ্রে হায়না ফোংলক্লি।

জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া, আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্ট এম.য়ু য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুটশিংগী এক্সপার্টশিংনা নোনে পার্ট ৱানদা লৈবাক চেকখায়রকপগী মরম য়েংশিনখ্রে, নুমিৎ হুমিগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎকনি হায়বা পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইননি।

এসেমব্লি মীফমদা মরুওইবা ৱাথোকশিং খন্নশি য়াদে হায়বা ৱাফমদা ওপোজিসন এম.এল.এশিং এসেমব্লিদগী ৱাল্ক আউট তৌখ্রে হায়না তমেংলোং টাইমকী অনিসুবা হেদলাহন পীরি।

------